ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ২১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৯০শুবা মশীং

# জন্যুৱারী ২১

## ষ্টেটহুদকী ৱাহন্থোক মপূং ফারব্রা

মণিপুরবু লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইহন্নবগীদমক লৈবাকসিগী লুচিংবা মীহুৎশিংগা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রগা 'মর্জর এগ্রীমেন্ট' খূৎয়েক পীনখিবদু সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দনি। এগ্রীমেন্টসিগী মতুংইন্না ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী মণিপুর লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইরকখিবনি। লৈবাকসিদা তিল্লবা মতুংদা ষ্টেট অসিবু তোঙান-তোঙানবা থাক্তা থন্নকখ্রে। অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজ ংশিং চঙশিল্লকপদগী জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখ্রে। লেপ্তুনা চেন্থবা মতমগী ঈচেলনা পুথরক্তুনা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবা 'জন্যুৱারী ২১' অসি ঙসিদি চহী ৫২ হেল্লবগী মতুং চৎলিবা কুমজা ২০২৩সিগী লৈরাইদা অমুক য়ৈররে। মণিপুরনা লৈবাকসিগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবা চহী ৫২ মপূং ফারে। অদুবু শাংলবা মীরোল অমগী চহী তঙ্খাই চনশিল্লক্লবা মতমসিদা হৌজিকসু হংবা য়ারিবা অমসুং হংফম থোক্লিবা ৱাফমদি ঙসিগী মণিপুর মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মাঙজিল থারক্লিবা লৈবাকসিগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইবগী চপ-চাবা মশক্তু ওইবা ঙম্লব্রা হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুম মণিপুর লৈবাকসিদা তিন্দুনা মসিগী শরুক অমা ওইখিবদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদা খূৎশম্নরগা থাবল চোংখিবা মীওইশিংদু হৌজিকসু হিংবা য়াওরম্লগদি খুম্বা য়াওহন্নীংই। অমত্তা লৈখিদ্রবা ওইরগসু থাবল চোংদুনা খূবাক খুখিবদু হৌজিক ফাওবা মশক-মমিং হোংদনা চপ চানা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি ওইদ্রবসু মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লৈবাক লৈঙাক্কনি হায়খিবা পার্টি য়াওবনিনা পার্টিদুগী লৈহৌরিবা চাদা-নাওদাশিংনা ওইরবসু খুম্লকউ। মসিনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রিবা অদুগী ৱাহন্থোক লৈহনগনি। মরম চাবনি হায়বসু তাক্কনি নৎত্রবদি মণিপুরগী ৱায়েল থৌদা চথনবগী মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা মায় পাকপা ঙমহৌদ্রবা, মায় পাক্লবসু মেজোরিটি কম্মান্দ তৌবা ঙমহৌদবদগী খোংবান্দা তাদুনা লৈবদগী লৈঙাক পায়গদবশিংনসু পায়বা ফংলরোই হায়দুনা হরাওবা ফোঙদোকখিবনি হায়বসি হেন্না ময়েক শেংলক্কনি।

মরমদি মণিপুরনা লৈবাকসিগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকপা চহী ৫২ মপূং ফারবা ফাওবদা হৌজিক ওইরিবা ষ্টেটসিগী ফীভমসিবু করিনো? মসিবু চহী ৫২ শুরবা ষ্টেট অমগী ওইফম থোকপা মশল্লা? ষ্টেট অসি মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা (সেল্ফ সষ্টেনেবল) ওইরবা ফীভম অমদা লৈরক্ত্রি। হেল্থ, এদ্যুকেসন য়াওনা সেক্টর পূম্নমক্তা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী শোত্থরি। রোদ কন্নেক্টিভিটিগী য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা য়েংলুরবসু মতিক চারে হায়বা য়াদ্রি। লৈরিবা চীংমী-তম্মীশিংগী মরক্তা মীওই খুজে াক খরনা মচিঞ্জাক ৱাৎতবা, নুংঙাই-য়াইফবা মীওইশিং ওইরবসু অয়াম্বা মীওইশিংদি শেন্মীৎলোন্দা খ্বাং য়ৌনা পুথরি। মীয়ামদা শেন্থোক পীবা ঙম্বা পোরম-পোমিৎ উদ্রি। মশাগী চানবা ফংফম থোকপা থবক ফংবা য়ারবা মীওই কয়া ঙাওচৎনদুনা লৈরকপদগী ইল্লিগেল ওইবা থবক কয়া চত্থনরক্তুনা থোকহন্নীংদবা ক্রাইম কয়া থোক্লি। মীপূম খুদিংমক খেন্নবা, মান্নদবা থাকশিংদা ওইরবসু মশাগী পুকচাকশিংগী মপু ওইজবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা ওইরিবা ফীভম অসিবু শাংলবা চহী ৫২ মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবা মণিপুরগী ওইফম থোকপা মায়থোঙলা হায়বনি। অদুবু মসি পূম্নমক অসি কনানা থৌদাং লৌদবদগীনো? তেকচাক্লা কনা-কনানা পুগদগে? লৈবাকসিগী মপু ওইরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তায়নগদ্রা নৎত্রগা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রিবশিং অদুদা তায়নগদ্রা? অদুবু ঙসিদি মণিপুরনা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবনিনা থাকসি য়ৌরকখ্রবা মতুংদগী লৈখ্রিবা লৈঙাকশিংগী লৈঙাক্লোন হঙ্গৎনা য়েংবা চুমগনি। চুম্নতা য়েংবা খক্তা নত্তনা নৈনবগী মথৌসু তাই। মদুদতা য়াওখ্রিবা অশোয়বা অরানবশিংদু অমমমতা ওইনা মশক খঙদোকপা ঙমগনি। অদুগা মতুংদা হন্না থোরকহন্দবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিগী মথক্তা অহেনবা চাকথুং-ফিথুং করি করিনো হায়বদু খঙবগা লোয়ননা মণিপুরনা শেন্মীৎলোন্দা মতৌ করম্না মরোমদোম লেপচবা ঙমদুনা চাওখৎ মায়কৈদা খুমাঙ য়াঙনা চঙশিনবা ঙমগদগে হায়বদুসু শোয়দনা খঙলক্কনি। ষ্টেটহুদ ফংখ্রিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ শুনবা খায়দোকপা খক্তুনি হায়দুনা লৌগনু। মণিপুর মীমান্নদ্রিবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১) **"অথুইলুগী মঙলান"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মসিনা ঐগী সাক্ষীনি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) **"জয় জয়ন্তী"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) **"মিংশেলদা লৈচিল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"অঙাংগী লীলা মচা খরা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহাক অদো ঐরা?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

অহল অমা মাঙখ্রে, অহল অমা মাঙখ্রে হায়বা ৱাহৈ খরা অসি ঐনা চৎলু চৎলুবা মফম খুদিংদা তাবা ফংলকই। নহাল ঐনা শোরাৎ অমা চৎলুবদা ঐগী অহল ওইরবা মরুপ অমনসু ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইতনা অহল অমা মাঙখ্রে হায়বগী পাউ অদু তল্লকই। মঙোন্দা মদু নহান নোংমা মাগী মরুপ মপাং অমনা অসুম্না তম্বদমক তল্লম্বনি হায়। ঙসি অয়ূক্তনা ইচানুপানা অহল অমা মাঙখ্রেয়ে হায়বগী ৱাফম অসি থৌ ৱা ইশা শাদনা ঐগী ইফমদমুক তল্লকপনি। মঙোন্দসু মমান্নবা অমনা ঙরাং কোলেজদা তল্লকপনি হায়। অহল অদুনা মাঙখিবগী পাউনা মায়কৈ সলাই খঙদনা চিন্থাঙ য়ৈনা শন্দোরকই। হন্দক মরক নুমিৎ খরনি অসি অহল অসিগী মরমদা ঐনা নুংঙাইজদবা ৱাখল খরা পোক্তবা ইঙম ঙমদে। মাগী মরমদা ৱাহং খরা মশানা অসুম চোংথোরকই। হায়নরিবা ঙাঙনরিবা ময়াম অসিদা মানা মাঙখিবগী মরমদু করিনো, মহাক কদাইদগীনো, কৈদৌঙৈ মাঙখিবনো হায়বদু কনামত্তনদি ইপন পন্নদে। মসিগী চপ চাবা মরম ঐ খঙদে। "ঈংবনা থক থক নিক্লরবা নিংথমথাগী অহিংসিদা অহলদু শিবু শিরমদননে। মশক মশা খঙলুদ্রবসু ঐদি তাবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইখিদ্রেদা। নুংথিলগী মতমদা ঈংবা খরা খরা ফরবসু অয়ূক নুমিদাংগী মতমসিদদি মী খুদিংমক য়ূমদগী মপান থোকপা ইতন তন্নরবনি। নোংমা নীনি লৈরগদি উনখাসু তাবা হৌবু হৌরক্লগনি" ঐনা মৈফুগী মৈটাল অদু চৈ অমনা ওৎল-ওৎলদুনা খোঙউপ উপশিন্দুনা লৈরিবা ইচানুপাদা হায়রুই। নুংশাশ্বর অমা শাংনা চিংখৎলুরগা অমুক হোন্দোরকপদা ঐনা হায়খ্রিবা ৱাহৈ খরদু তারগা ইচানুপানা হায়রকই, "অদুবু অহল হনুবা মথোঙ চাদবা অদু শি হায়বমক্তি তাদ্রিদা, শিগেসু অসুম শিজসনুদা।" মহাক ৱাফম খরসি হায়রম্লগা ইথৌ থৌশাদনা ঈশৈ অমা ঙংদুনা লৈ। ঐনা অমুক মাগী ঈশৈ মরক অদুদা হায়রুই, "করিগুম্বা মানা হিংলম্বা তারবদি মহাক অসুক্কী মতিক ঈংলম্লগনি হায়বনিদা। ঐনা হায়বদি হৌজিকসি কা হেন্না ঈশিল্লক্লবা নিংথমথাগী মতমনি। মহাক ময়ূমদা হল্লক্তৃবনিনা ঈংলম্লগনি হায়বনি।"

"য়ারে য়ারে, শিগে শিজখ্রসনুদা অহলবু কৈদৌই হায়গে, বাবা, তানীংদ্রেদা অদুগী ৱাদু হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনতা লৈ হন্দক মরক অসি কয়ামুক য়াম্না হংলবনো বাবানা।" শাউরংনবা হেক মান্না খুম্লকপনি।

"নঙসু নোংমা অহল ওইরক্কনিদা মতমদুদা মদুম্না নঙোন্দসু অঙাংশিংনা হায়রক্লবদি নঙবু নুংঙাইগদ্রা অমুক্তা নতোমতা হংজৌ।"

"হো অদো ঐদি মাগীদুমাইনকাদি তৌজরোই বাবা। করিগীনো মানা ঙাওশিন্নদুনা য়ূমদা হল্লক্ত্রিবা অদুবু? মদুবু মহাক ঙাওশিন্নদে হায়সিরা?"

ঐগী ইচাদা অমুক হন্না মায় ওনশিন্নদুনা ঐনা মখা তানা খুম্লুদ্রে। অহলদুনা তৌরিবদু মানা তৌনীংদুনা তৌবমক্তি ওইরম্লোই। মহাক্লা ৱাখল তাবা মী ওইরম্লবদি মহাক অদুম্না তৌগদ্রা? মানা য়ূমদা হল্লক্তবগী মরমদি লৈরম্লোইদ্রা ইতোমতা হংজৈ। কনা অমত্তা নিংঙাই শংদানবা পামদ্রবনা ঐ ইতোমতা হংজবনা ফৈ খল্লি। ইনাক্তা থারিবা সাইদ টেবলদুগী মথক্তগী ঙসাই হোকরনা থনম্বা লোকল পেপর অদু লামদুনা লৌরদুনা অহলদুগী মরমদা অনৌবা ঈ-পাউগা য়াও লাকপ্রা য়েংগে হায়দুনা উপ্লিবা অনোক অদু লৌথোক্লগা ফিনা তকথোক্লগা অমুক হন্না উপশিল্লি। লমায় খুদিং অমত্তা চিখদনা লৈ লৈদুনা কোয়েং য়েংলদুনা থৱায় য়াওনা পাই। অয়ূক অঙনবদা কনাগুম্বা অহল অমগা ঈংবদগী শিরগা তাদুনা লৈরম্লে হায়বগী পাউদি থোইনা য়াওবা থেংনদ্রি অদুনদি অহল অসি ঙসি ফাওবদি হিংলি হায়না লৌবদি য়াই। লুরিবদি পাউচে অসিখক্তনদি মাগী শিবা হিংবা নৎত্রগা অৱা অনাগী মরমদা লেপথোকপদি লুখিগনি। ঐহাক হন্দক মরক্তি মীৎ-না অসি ইনুং নুংঙাইতবনা পাউচে অসিগী ঙরাং নহালগী কোপিশিংসু য়াম্না কূপথনা পাখিবা লৈতে। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা পাউচেশিং, রেদিও অমদি টেলিভিজনগী পাউসু ঐনা লোইনা তাখিবা লৈহৌদে। ফৈ ঙসিগী পাউচে অসিমক্তা মাগী মরমদা তাহৈদবা পাউ অমত্তা য়াওরমদ্রিবা অসিমদি। ত্রৎ ত্রৎ চিংশিল্লবা নিংথমগী নুংশিৎ অসিদা তেক্তা কায়দনা অসুম অঙৗংবনা য়ৌদ্রবা মফম অমদা মহাক অদু শাফনা হিংদুনা লৈবা ওইরম্লসনু নৎত্রগা মহাক্কী থৱায়গা হকচাংগসু খায়নদ্রিবা ওইখিসনু। মহাক ময়ূমদা অমুক হল্লক্তুনা অরুম্বা ফি ইন্দুনা মচা মশুশিংগা নুংঙাইনা লৈরবা ফংখিসনু। মসি মঙায়রে ঐনা মাগীদমক হায়জবা ঙল্লিবা। ঙাইখো মাবু মাগী মচা মশুশিংনা মাবু ইথিমক থিদ্রবরা? থিরম্লগদি অথুবদা থিবা ফংবা ওইরসনু। মহাক য়ূম্না থিনীংদ্রবা অহল অমরা? মহাক্লা মাঙখিবগী পাউ অমত্তা টেলিভিজন, রেদিও অমদি পাউচেশিংদা থেংনদ্রিবা অসিনা করিগীনো?

মহাক্লা তশেংনা হিংদুনা লৈবদু পামজবদগী ঐনা অমুক্কসু হন্না পাউচে অদুগী চেনাশিং মথক মখা ওল্ল-ওল্লগা মীৎ লাওথোক্তুনা মাগী মরমদা ঐনা চিথহৌবা করি করি ঈ-পাউকা য়াওরিবগে হায়না আনোক অদু শেল্ল শেল্লদুনা থিরম্মী। শেংলে নুংঙাইরে পাউচে অসিদা অহল অসিগী মরমদা করিগুম্বা নুংঙাইতবা পাউ অমত্তসু য়াওবা থেংনদ্রে। খঞ্জে ঐনা পাউচে অসিদা মাগী মরমদা অৱা অনা ৱাহৈ অমত্তা য়াওদ্রিবা অসুম্না অতৈ অতোপ্পা পাউচেশিংদসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা, মতুংদা অদুগা ঙসিসু য়াওদবা অসুম ওইরসনু! পাউচে অমত্তদা অহল অসিনা লম্বী মপালদা শিরগা ইমোৎ মোৎনা উফুল মরক্তা নৎত্রগা নাপী মরক্তা তারম্বগী ফোটো অমত্তসু য়াওরক্তসনু। মসুম তৌরবদি ঐখোয়গী লাইবক ফবা হায়বদু ওইরোইদ্রা?

পাউচে অদু পাবা লোইরকপদা ৱাশিং মেছিনদা ফি শুরিবী ইমৌ নুপীদা লাউনা কৌদুনা অমুক হংলুই, "নখোয়না মাঙখ্রে হায়নরিবা অহলদুবু করি লমদগীনিগা হায়বগে ইবেম্মা? মমিং মথাগদি খঙ লাকপ্রা নঙবু? 'করিনো করি লমদগীনোগা খঙজ লাকচদেদা, অহল ওইরকপগী পেং চোইরক্তনা তৌরিবনিদা, ময়ূমদা হল্লক্লেরা হল্লক্লোইরা শিগেরা চঙগেরা করি তৌগে হায়রিনো, বাজি?" নহা ওইরিবী ইমৌ নুপীনা ঐনা হংলিবা ৱাহংগী পীরকপা পাউখুমনি। মহাক্লা চপ চাবা পাউখুম পীবমক ঙল্লমদবদি য়াই অদুবু মাগী ৱাহৈশিং অদু অহলদুগী মতাংদা থোইনা থৌশাদবগী মমি অমদি তাখি। ঐনা ওইনা তপথরগা খুম্লুই,

"অহল অদু ঐগা লাইরিক লাইশু তম্মিন্নরকপা ইমান্নবা অমা ওইরমগদ্রা হায়দুনা তৌবনিদা!"

"খঙনা চান্নবা ওইরগদি চেবাউ লাকফম থোক্ত্রনে, বাজি?"

"এহ! লাক্ত্রবসু য়াইদা অদুবুদি, ঐবু কনানা থৌশাবীগদগেনে?"


ঐগী মতোং য়াওদ্রবা পাম্বোমদা লনকক লনকক হৌরিবা তুহাওশিং অদু মুরম্বদগী চহী খরসিদা মতমগী মতুংইন্না ঙাঙলি ঙাঙলিবা মচু থোক্ত্রবা হায়বদু লোইনা ওল্লম্লে। উনা উনা মসিমসু অসুম খঙহৌদ্রে। মসি ঐনা হৌজিক্তা উরকপগুম্না তৌই। ঐগী পীশুম অনীসিসু মিংশেলদা উজবদা পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরবনিকো হায়বসিসু হৌজিক্তা অমুক নীংশিংলকই। ঐ অসিসু অহল হায়বদুনিকো, চুমদ্রনে? ইথন্নতা হংজৈ, ইথন্নতা চুম্মী হায়না খুমজৈ।

অসিগুম্বা নিংথমথা হুম্ফুতরামঙা শুরে ঐনা লাল্লক্লিবা। লাইবকপু খূবাক্লা ঙাইহাক শৌরগা মীৎ উইশিন্দুনা লৈরুই। ওইগী খূৎনাওবীনা মীৎ ওইগী মীৎশাং অমুক তপ্লা তৈথোকচৈ। হন্দক্তি ঐসি মীৎশাং য়াম্না থাংই। নহা ওইরিঙৈদা অসুম্না ঐ মীৎশাং থাংজরমদবনি। মীৎ অনীসে ঈপাক্কুম্না তরু তরুজরম্বনি। খঙদে চহী মতাংসিদা নাতৈ চাবা অমত্তা হেক তৌথোরক্তে।

নুমিদাংৱাইরমদা ঐনা চৈশু অমা পায়রদুনা ঙাহৌ ঙাহৌ লম্বীদা ৱাকিং থোকই। শিনি নানি খঙদনা গাড়ীমচা থৌরিবা অঙাংশিংদুদা ঐনা ইবুংঙোখোয় গাড়ী কন্না থৌগনু হায়জৈ অদুবু মখোয়না লাউশিল্লমই "হৈ অহল, ঐখোয়না গাড়ী তপ্লা থৌনীংঙৈ থৌনি, য়াঙনা থৌনীংঙৈ থৌনি নথৌ করি লৈরদনা, নৱা লৌদে।" মখোয় অদু ঐগী ইশুশিংগী লেঙ্গানি। ঐনা চৎলিবা লম্বী অদু কোয়লাস নীংথিনা থারমদবা থেংনৈ। ঐনা লম্বী অদু য়াম্না ফৎত্রবনি মতিক চানা ফজনা শেম্বীনবা হায়জরুবদা অহল নঙ শ্বাইদা ৱা চগৎ চগৎ ঙাঙগনু হায়না চৈরকই। ফাগি ওইরম্বা য়াই ওইরমদবা য়াই। ঐ ৱা মখা তারমদে তূমিন্না অদুম লাকই।

ঙসিদি পুন্সিগী নুমিদাংৱাইরম য়ৌরকপসিদা নীংশিংলকই। মতম অমদা ঐগী ইপা পোকপা শোল্লবা ইপুবোক অদুনা লীচৈ তুঙ্গোনবী অমা পায়রগা নহা খরনা খৎন-চৈনদুনা লৈরম্বদা হৈ কনা কনানো শ্বাইদা খৎনরিবদো লৈরম্মুদো ঐ লাক্কে নপা য়ানিমচাশা হায়না অমুক্তং লাউবদা পাখং মচাশিং অদুনা কিরদুনা হৌ হৌদুনা চেন্নখিবদু মীৎসিদা শং শং উরকই। ঙসিদি মদুগী ইপুবোক্তু মাঙখ্রবরা? ঐনা অমুক্লা ইশা ইতোমতদা হংজৈ হন্দক মরক মাঙখ্রে হায়নরিবা অহল অদুবু কনানো? করি লমদগীনো? মমিংনা করি কৌবগে? মাবু মশক খঙই হায়না কনা অমত্তনা অপাননা হায়নরক্ত্রিবা অসিনা করিগীনো? পাউ অসিনা কদাইদগী হৌরকপনো ঐ খঙদে। শুপ্নতগী মাঙখ্রে হায়নবতনি, মসিনা ঐবু ৱাহনবতনি।

মাগী মরমদা মখা তানা অমুক ঐনা কনামত্তদা হংনীংলুদ্রে। মাগী মরমদা অখঙবা নহাশিংদা ঐনা হংলুবদা নিংথি নুংঙাইবা পাউখুম অমত্তা ফংদ্রে য়ূমদসু লমদসু। ঐগীদি ঙসিদগী ঐতগী ওইবা পাউখুম অমদি ফংজরে। শেংলে অহল অমা মাঙখ্রে হায়বদুসু। অহলদু ফংবা ঙল্লরোইদৌবা মানবা মওং অমদা য়াল্লবা ঐখোয়গী মীরক্তগী মাঙখ্রে। হৌজিক ঐ অহল অদুগী মমিংসু ঐনা হৌজিক্তা খঙলে। মাগী মরমদা পূম্নমক ঐনা লোইনা খঙজরে। মহাক তশেংনা মাঙখ্রে। মাঙখিবদা নত্তনা মহাক শিবসু শিখ্রে অহল অদো। মাগী মরমদা কনাদসু হংলরোই অমুক হন্না। ●



# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লম-হীদাকমনা # ৩৭৬

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —**

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা ৱীদ হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা ইঙ্খোল, খোংবান-লুকপান অমসুং লৌবুক-লম্ফাংশিংদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা থোইদোক্লা শীজিন্নবীদ্রবা অদুবু হীদাক্কী ওইবা মগুনশিংদি য়াম্না য়াওজবা পাম্বীশিংগী মনুংদা লম-হীদাকমনা পাম্বী অসিসু অমনি। পাম্বী অসি হীদাকমনা পাম্বীগা মশক মান্নরপ তৌবা অদুগা শাগৈ অমসুং জিন্‌সসু মান্নবা অদুবু লমলক্তা হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা হৌবা অদুবু হীদাক মনা পাম্বীগুম্না শীজিন্নদবদগী পাম্বী অসিবু লম-হীদাকমনা হায়না কৌনৈ। লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি ইংলিসতা ৱাইল্ড তোবেক্কো (Wild tobacco) নৎত্রগা কর্ল-লিভদ তোবেক্কো (Curl-leaved tobacco) নৎত্রগা তেক্স-মেক্স তোবেক্কো (Tex-mex tobacco), হিন্দিদা বন-তামাকু (Ban tamaku) নৎত্রগা বন-তম্বাকু (Ban tambakoo) নৎত্রগা জঙ্গলি-তম্বাকু (Jungli tambakoo), অসামিজদা উলু-লাই (Ulu-lai), অরাবিকতা দোকহান ব্রে (Dokhan brey), ক্যুবাদা তেবেকো সিমারোন (Tabaco cimarron), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা নিকোসিয়ানা প্লাম্বাজিনিফোলিয়া (Nicotiana plumbaginifolia Viv.) নৎত্রগা নিকোসিয়ানা কেভানিলেসী (Nicotiana cavanillesii Dun.) নৎত্রগা নিকোসিয়ানা সেরিনথোইদিজ (Nicotiana cerinthoides Vitman ex Viv.) নৎত্রগা নিকোসিয়ানা ক্রিসপা (Nicotiana crispa Cav.) নৎত্রগা নিকোসিয়ানা প্লান্টাজিনিয়া (Nicotiana plantaginea DC. ex Dun.) নৎত্রগা নিকোসিয়ানা পুসীলা (Nicotiana pusilla Moc. & Sesse) হায়না কৌই অমসুং সোলেনেসী (Solanaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - হীদাক-মনা পাম্বী - তোবেক্কো (Nicotiana tabacum L.), লৈপুং-খাং পাম্বী (Solanum indicum L.), আলু পাম্বী - পোটেটো (Solanum tuberosum L.) অসিনচিংবনি। লম-হীদাকমনা পাম্বীগী বোটানিকেলগী স্পিসিস মমিং প্লাম্বাজিনিফোলিয়া হায়বসি তিল-হীদাক পাম্বীগী জেনেরা প্লম্বাগো (Plumbago) অসিদগী পাম্বী অনী অদু মশক মান্নবদগী থোনখিবনি। USDA-ARS, 2017 কী মতুংইন্না হীদাকমনা অমসুং লম-হীদাকমনা পাম্বী অনী অসি পারি-পুরিগী ওইবা হায়বদি জেনেটিক্কী ওইনা য়াম্না নক্লে।

লম-হীদাকমনা পাম্বী অসিগী মনাশিং অদু য়াম্না নেমথনা লৈমায়দা কোয়না শন্দোক্তুনা হৌই অদুগা লৈ শাৎপা মখোক অদুনা ফুট ২-৩ লোম ৱাংই। হীদাক মনাগী লৈশিং অদু ঙৌরপ তৌনা তেল্লবসু লম-হীদাকমনা পাম্বীগী লৈ অদু উতোং অমগুম্না শাংই অমসুং ঙৌরোক ঙৌই। লম হীদাকমনা পাম্বী অদু খূৎনা হেক পায়বদা নপ-নপ লাওই। লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি চহী অমরোমতমক পুন্সি অমসুং মরূগী মতেংনা চারা শন্দোকই। পাউদমগী মতুংইন্না লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি মেক্সিকো, খা-অমেরিকা, কেরিবিয়ান অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজদগী হৌরকখিদুনা ঙসিদি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা মালেমগী অয়াম্বা শরুকশিংদা শন্দোক্তুনা হৌখরে। লম-হীদাকমনা পাম্বীগী মরূশিং অদু য়াম্না কুপই অমসুং ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা মফম অমদগী অতোপ্পা মফমশিংদা য়াম্না লায়না পুখিদুনা হৌবা ঙম্মী। মণিপুরগী তুরেলগী তোর্ব্বানশিংদা লম-হীদাকমনা পাম্বীশিং অসি য়াম্না মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। গাইরোলা (Gairola) অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৬তা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না লম-হীদাকমনা পাম্বী অমনা মহৈ ১০০ ফাওবা পাল্লি অমসুং মহৈ অমদা মরূ ৮০০দগী ১০০০ ফাওবা য়াওই। পাম্বী অসিগী ক্রোমোজোম অসি ১০নি (n=10) ।

লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। মখল-মখা কয়াগী উনশাগী ওইবা লায়নাশিংদা লম-হীদাকমনা পাম্বী অদু শুগায়রগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। শা-ষণগী অশোক-অপন তৌবদা লম-হীদাকমনা শুগায়রগা থোমদুনা লায়েংনবগী মথক্তা পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা থিৎলগা শা-ষণ অদু ঈরু লুজথোকপীবদা মহীক মতাং লৈবা ঙমহন্দে হায়দুনা শীজিন্নৈ। অশোক-অপন তৌবা অমদি খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা পোম্বা অমদি য়াম্না নাবদা লম-হীদাকমনা পাম্বী অদু শুগায়রগা থোম্বদা অনাবা চৈনা অদু থুনা হন্থহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। মহৈ-মরোংশিংদা তাগনবা মহীক মতাং অমসুং লায়নাশিং অসিদা লম-হীদাকমনা শুগায়রগা লৌবা মহী অদুনা কাপথোকপদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। পাউদমগী মতুংইন্না লম-হীদাকমনা পাম্বী অসিদা মীওইবগী থোপকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই হায়বসিনি।

ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী মীওইবদা তিনফা অমসুং কাকফৈনা চিকপদা লম-হীদাকমনা পাম্বী অদু শুগায়রগা লৌবা মহী অদুনা খিকচিনবদা তীনফা অমসুং কাকফৈ অদু মথন্তা কেনজহনবগী মথক্তা অশুকপা উমংদা চঙদ্রিঙৈদা হায়রিবা মহী অদু হান্না তৈশিন্দুনা কাকফৈ চীকপা অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না শীজিন্নরক্লি। রোথী (Rothe) না কুমজা ২০১১দা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা লিন্না চিকপদা চিক্লিবা মফম অদুদা লম-হীদাকমনা পাম্বী শুগাইরগা খুদক্তা থোম্বদা লিনগী মহু অদু চমহনবা ঙম্মী হায়বসিনি। বেক্টিরিয়া হায়রিবা হিংকুপ মখল কয়ামরুমশিং লম-হীদাকমনা পাম্বী শুগায়রগা লৌবা মহী অদুনা হাৎপা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ। মীওইবগী ফীরাক মপাঙ্গল কন্না থম্বদা লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি হীদাক শাবগী মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। ঈ হাথবদসু লম-হীদাকমনা পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। মনা-মশিং অমসুং মহৈ-মরোংশিংদা তাগনবা এসপর্জিলস ফ্লেবস (Aspergillus Flavus) অসিগী হু চেনবগী হায়বদি পুথোকপগী মগুন অদু লম-হীদাকমনা পাম্বীগী মহী অদুনা থিংবা ঙম্মী হায়না পাউদম্লি। কেদমিয়ম (Cadmium) হায়রিবা ইলিমেন্ট অসিনা লৈবাক-লৈশাদা য়াওদুনা পোল্যুসন থোকহনবা অদু লম-হীদাকমনা পাম্বী থাদুনা চুপখৎহনবা ঙম্বা মরম্না অমোৎপা লৈবাক-লৈশা অদু শেংদোকহনবদসু শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি শা-ষণনসু চাদে। ●